# অশোকপা লৈরবসু এসিয়ন গেমসতা শরুক যাননবা য়াম্না কন্না শেম-শারি হায়না ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন মিরাবাইনা ফোঙদোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ (এজেন্সী) ঃ ওগষ্ট ১৮ দগী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন গেমস অদুদা মহাক্কী মশা শোক্লবসু অকনবা মওংদা শরুক য়ানববা শেম-শারি হায়না ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন সাইখোম মিরাবাই চনুনা ফোঙদোকখ্রে।

চহী অসিগী এপ্রিল থাদা ওষ্ট্রেলিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা গোল্ড কোষ্ট সিটিদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতসু সাইখোম মিরাবাই চনুনা গোল্ড মেদল ফংবতা নত্তনা অনৌবা কম্মনৱেল্থকী রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবনি।

এসিয়াগী লৈবাক চাইনা, থাইলেন্দ অমসুং কজাখষ্টানগী ৱেটলিফটরশিং অসি ৱর্ল্ডগী ওইনসু অফবা শান্নরোয় ঙাক্তা ওইবা মরম্না মহাক্না এসিয়ন গেমস অসিদা শরুক য়ানিংবগী অপাম্বা অদু লৈরিবনি হায়খি।

হৌজিক হৌজিক পঞ্জাবকী পতিয়ালাদা লৈবা নেসনল ইনষ্টিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা ট্রেনিং চথুরিবী সাইখোম মিরাবাই চনুনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী খ্বাঙগী মখা থংবা শরুক অদুদা অনাবা লৈবদগী ডোক্টরদা অরুম্বা মতম খরা থাঙ্গৎতনবা এদভাইস তৌরকপদগী মহাক ট্রেনিং মফম অসিদা মথক্কী হকচাংশিংগী শরুকশিংগী ট্রেনিং চথুরগা অরুম্বা য়াম্না থাঙ্গৎতনা লৈরি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা অনাবা অদু মে থাগী ২৫ দগী হৌরকখিবনি। মদুগীদমক্তা দিল্লি অমসুং মুম্বাই য়াওনা অফবা মফমশিংদা চৎতুনা য়েংলুরবসু অনাবা অদু করম্বা অনাবনো হায়বা খঙদোকপা ঙমদনা লৈরি। মহাক্কী টেষ্ট পূন্নমক অমদি এক্স-রেদসু অশোকপা মফম অদুদা নোর্মেল ওইবগী রিপোর্ট ঙাক্তমক পীরকখি।

থা অমা ফাদ্রবা এসিয়ন গেমস অসিগীদমক মিরাবাইনা ফোঙদোকখিবদা য়ামদ্রবদা চয়োল অনীখক্কী মতম ট্রেনিং ফংলবদি মহাক শরুক য়াবদা অকিবা লৈরোই হায়খি। হৌজিক হৌজিকমক মহাক্কী অনাবা অদু হন্থরকপগী খুদমদি পীরি। হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা মহাক্না শীজিন্নরিবা হীদাকশিং অদুনা অনাবা অদু হন্থহল্লক্লি।

লাক্কদৌরিবা চয়োল অনী অহুম অসিদা অনাবা অদু অদুম হন্থখ্রবদি মহাক অরুম্বা থাঙ্গৎতুনা ট্রেনিং চথবা ঙম্লগনি হায়রি। পতিয়ালাদা অতোপ্পা ৱেটলিফটরশিংগা পূন্না মহাকসু কেম্প অদু য়াওরিবনি। মহাক্কী নুংঙাইতবা অদু মফম অদুদা লৈরিঙৈদা মপূং ফানা ফরবদি মতম মাঙহন্দনা ৱেটলিফটিং হৌবা য়াগনি হায়রি। হৌজিক্কী ওইনদি মহাক্কী মথক্কী হকচাংগী শরুকশিং পাঙ্গল লৈননবা ট্রেনিং চথুরি।

ৱেটলিফটিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা সাইখোম মিরাবাই চনুনা এসিয়ন গেমসতা শরুক য়াগনি নৎত্রগা য়ারোই হায়বগী ৱারেপ অদু লাক্কদৌরিবা চয়োল অনীগী মনুংদা খঙবা ঙম্লগনি।

নীংশিংবা য়াবদি মমাঙ চহীগী নবেম্বর থাদা য়ু এস এগী অনাহেম সিটিদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড ৱেটলিফটিং চেম্পিয়নসিপতা চহী ২২ গী মতুংদা ইন্দিয়াগী অহানবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নসিপ গোল্ড মেদল অদু মহাক্না লৌবা ঙমখিবনি।

হায়রিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নসিপ অদুদা মহাক্না কেজি ৪৮ গী কেটিগরিদা পূন্না স্নেচতা কেজি ৮৫ অমসুং ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১০৯ পূন্না কেজি ১৯৪ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল ফংখিবনি।

লোয়নবা চহী অসিগী এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্থ গেমস অদুদা হায়রিবা কেটিগরি অদুগী ওইনা স্নেচতা কেজি ৪৬ অদুগা ক্লিন এন্দ জর্কতা কেজি ১১০ পূন্না কেজি ১৯৬ থাঙ্গৎলগা অনৌবা রেকোর্দ অমা থমখি। কম্মনৱেল্থ গেমস হেক লোইরবা মতুং মিরাবাইনা হিমাচল প্রদেশতা লৈবা সিলারুগী ট্রেনিং সেন্টরদা লৈদুনা ট্রেনিং চথুখি।

পনবা য়াবদি, মিরাবাইনা লৈঙাক অসিগী স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিদা মহাক্না লৈরিবা কা অদুদা ক্লোজ সর্কিট টিভি কেমেরাশিং খিনবীনবা হায়রকপা লৈখি। মহাক্না ৱেটলিফটিং মশান্না অসিদা মালেমগীদা নত্তনা ইন্দিয়াদসু দ্রগ শীজিন্নবগী স্কেন্দল ময়াম অমা থোক্লকপা মরম্না মহাক্না চাগদবা চীঞ্জাকশিং অদুদা অতোপ্পা মহাকপু য়েংশিনবা কাঙবুনা পোৎয়ান হাপচিনবা য়াবগী তাঞ্জা অদু লৈহন্দনবনি। হৌজিক হৌজিক মিরাবাই চনু পতিয়ালাগী এন আই এসতা অতোপ্পা ৱেটলিফটরশিং রাখি হল্ডর (কেজি ৬৩), কম্মনৱেল্থ গোল্ড মেদলিষ্ট সটিস সিভলিঙ্গম অমসুং অজয় সিংহ (অনীমক কেজি ৭৭) লোয়ননা কম্মনৱেল্থ গেমসকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট বিকাশ ঠাকুর (কেজি ৯৪) পূন্না ট্রেনিং চথুরিবনি।


## হুয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৫

১। ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা মায়োক্নবা টিমগী শান্নরোয়না কাওথৎতুনা মখোঙ তেকখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

২। টিম অসিনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল তরেৎলকশুবা ওইনা ফাইনেল ষ্টেজদা শরুক য়াবা মতমদা স্কুল ওজা অমবু টিম কোচ ওইহনবগী লমদম অদুগী মীওই খরনা য়ানীংখিদে অমদি টিম অদু মথং রাউন্দ চঙবা ঙমখিদে। টিম অদুগী মমিং পীয়ু।

৩। হিমা দাসকী মমাঙদা মমিং চৎখিবা অসামগী এথলেট অমগী মমিং পীয়ু।

৪। মহাক্না ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংবা ঙম্লবদি কিলোমিটর ১৭৫ মখোঙনা চৎকনি হায়না ৱাশকখি। মহাক লমজেল অদুদা মকোক ওইখি। মহাক্কী ৱাশক অদু ঙাক্তুনা মখোঙনা কিলোমিটর ১৭৫ চৎলগা ফাটিমাগী লাইশঙদা চঙদুনা ভিরজিন মেরিবু খুরুমজখি। মহাক কনানো?



৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মণিপুর মচা খোগেননা বেষ্ট কোচকী মনা ফংখ্রে



মুম্বাই, জুলাই ২৫ (এজেন্সী) ঃ ইন্দিয়ন ফুটবোল কোচেস কনভেন্সনদা মণিপুর মচা মিনরভা পঞ্জাব ফুটবোল ক্লবকী কোচ ওইরিবা খোগেনবু বেষ্ট কোচকী মনা অদু পীখ্রে।

মুম্বাইগী দি ৱাই পতিল ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২৩ অমসুং ২৪ দা পাঙথোকখিবা ইন্দিয়ন ফুটবোল কোচেস কনভেন্সন অদুদা সীজন ২০১৭-১৮ দা পাঙথোকখিবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিং অদুদা ফজখিবা টিমশিং অদুগী কোচশিংগী ওইবা মনা অদু য়েঙ্থোকপা য়াওখিবনি।

খোগেননা মিনরভা পঞ্জাব ফুটবোল ক্লবকী কোচ ওইদুনা আই-লীগকী চেম্পিয়ন টিম অদুনা ওইহনখি। মদুগীদমক থৌরম অদুদা চীং-লেল্লবা মিংথোল ওইনা বেষ্ট কোচকী মনা পীখিবনি। ইন্দিয়ন সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইখিবা চেন্নাইন ফুটবোল ক্লবকী কোচ জোন গ্রেগরিবু কোচ ওফ দি য়রগী মনা অদু পীখি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন (এ আই এফ এফ) অমসুং এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ন ফুটবোল কোচেস (এ আই এফ সী) অনীনা পূনশিল্লগা নুমিৎ নিনি কনভেন্সন অদু মুম্বাইদা পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদুদা আই-লীগকী কেটিগরিদা মোহন বগানগী আর্পন দেবু এ আই এফ সী গোলকিপ্পিং কোচ ওফ দি য়রগী মনা পীখি।

অমরোমদা জম্মু কাশ্মীর ষ্টেটকী ক্লব অমা ওইরিবা রিএল কাশ্মীর ফুটবোল ক্লবপু কুমজা ২০১৭-১৮ গী আই-লীগ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্টকী চেম্পিয়ন ওইরক্তুনা আই-লীগকী কেটিগরিদা ক্বালিফাই ওইরকপগী লম্বেল অদু শেমখিবা কোচ দেবিদ রোবর্টসনবুসু অফবা কোচকী মনা অদু পীখি।

মনা পীবগী থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা কেটিগরিশিংদা কোচশিংবু ইকায়খুম্নখি। য়ুথ লীগ (চহী ১৩ মখা) কী ওইনা মিনরভা পঞ্জাব ফুটবোল ক্লবকী কোচ এন্থোনি এন্দ্রুজ, য়ুথ লীগ (চহী ১৫ মখা) কীদা মিনরভা পঞ্জাব এফ সীগী হরপ্রিত বেদি, য়ুথ লীগ (চহী ১৮ মখা) কীনা শিলোং লাজোং এফ সীগী কোচ বোবি নোমবেটনি।

ইন্দিয়ন ৱুমেন্স লীগকী ওইনা ওরিষাগী ক্লব অমা ওইরিবা রাইজিং ষ্টুদেন্ট ক্লবকী কোচ সুক্লা দত্তদা ইকায়খুম্নবা উৎখি। অদুগা এ আই এফ সী স্পেসল এচিভমেন্ট এৱার্দ অদুনা মহারাষ্ট্রগী দল্লিয়ু আই এফ এনা ফংখি।

# আই-লীগতা ইন্দিয়ন এরোজ ফুটবোল টিমগী কোচ ওইনা ফ্লোইদ পিন্টোনা থৌ পুরগনি



ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ (এজেন্সী) ঃ

ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিমগী কোচ ওইরিবা ফ্লোইদ পিন্টোনা লাক্কদৌরিবা আই-লীগ সীজনদা শরুক য়াগদৌরিবা টিম অমা ওইরিবা ইন্দিয়ন এরোজকী কোচ ওইনা থৌ পুরগনি।

মহাক্না ফম অসি থা অসিগী অঙনবদা হান্না কোচ ওইরম্বদগী ফম থাদোকখ্রবা পোর্টুগলগী লুই নোর্টোন দি মাটোসকী মহুৎ শিনগদৌরিবনি।

নীংশিংবা য়াই, মমাঙগী চহীদা ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবা চহী ১৭ মখাগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী টিম অদুগী কোচ ওইনা থৌ পুখিবনি। মদুগী মতুং এ আই এফ এফনা চহী ১৭ মখা অমসুং ১৯ মখাগী ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং পূনশিল্লগা টিম অমা শেমদুনা আই-লীগতা শরুক য়াহনখিবনি।

মাটোসনা মহাক্কী মশাগী ওইবা খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী ইন্দিয়ন এরোজকী কোচ ওইবগী ফম অদু থাদোকখিবনি। মহাক্কী মহুৎতা ফ্লোইদ পিন্টোনা নৌনা থৌ পুরগনি হায়না ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী টেক্নিকেল কম্মিটিনা ঙসি ফমখিবা মীফম অমদা লাউথোকখিবনি।

ইন্দিয়ন এরোজকী টিম অসিদা ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী শান্নরোয়-শিংনা নম্না য়াওগদবা মরম্না হান্নসু টিম অসিগী কোচ ওইরিবা ফ্লোই পিন্টোনা টিম অসিগী কোচ ওইবদা খ্বাইদগী মতিক চাবা ওইগনি হায়না কম্মিটি অদুনা অমতা ওইনা য়ানখিবনি।

ফ্লোইদ পিন্টোনা ইন্দিয়াগী চহী ২০ মখাগী ফুটবোল টিমগী কোচ ওইদুনা থা অসিগী ২৯ দগী স্পেনদা পাঙ-থোক্কদৌরিবা কোটিফ ইন্টর্নেসনল টুর্নামেন্টতা শরুক য়াগদৌরিবনি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী টেক্নিকেল কম্মিটিগী মীফম অদু শ্যাম থপানা চেয়রমেন ওইরগা পাঙথোকখি। মদুদা ফেদরেসন অসিগী মেম্বর অবিশেক য়াদব, হেনরি মেনিজেস, সুন্দর রমন, প্রদিপ দত্ত অমসুং ফেদরেসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি কুসল দাসসু য়াওখি।

অবিশেক য়াদবনা এ আই এফ এফকী কম্মিটি অদুবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা চহী ১৬ মখাগী ফুটবোল টিমনা উৎলক্লিবা পর্ফোমেন্স লোয়ননা সেপ্টেম্বর থাদা মলেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসন কপ চেম্পিয়নসিপতসু শরুক য়ানবা শেম-শারিবা অসিগীদমক কম্মিটি অসিগী থবক থৌরমশিং অসিদা অপেনবা ফোঙদোকখি।

# এসিয়ন গেমসতা পেলেষ্টাইন অমসুং য়ু এ ঈ য়াওখ্রে

ক্বালা লম্পোর, জুলাই ২৫ (এজেন্সী) ঃ ওগষ্ট ১৮ দগী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা ইন্দোনেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমসকী ফুটবোল দিসিপ্লিনদা মাংজৌননা লাউথোকখ্রবা দ্রো অদুগী মতুং পেলেষ্টাইন অমসুং য়ু এ ঈগী টিম নৌনা য়াওখ্রে।

এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসননা ঙসি ইন্দোনেসিয়ন ওর্গনাইজরশিং অদুগা কুপ্না নৈনরবা মতুং হান্না পীখ্রবা ফুটবোল মশান্নগী গ্রুপ ৬ কী দ্রো অদুদা নৌহৌননা পেলেষ্টাইন অমসুং য়ু এ ঈগী টিম হাপচিল্লকপনি। এসিয়ন গেমস অসিদা হৌজিক পূন্না টিম ২৬ না শরুক য়ারগনি। মমাঙদা টিম ২৪ না শাবা ফুটবোল কম্পিটিসনগী ফোর্মেট অমা লৈরম্বনি।

গ্রুপ অমদা লৈবাক মঙাগী টিম য়াওবা গ্রুপ অনী লৈগনি। অদুগা লৈবাক মরিনা মপুং ওইবা গ্রুপ মরি অমগসু লৈগদৌরি। এসিয়ন ফুটবোল কনফিদরেসনগী চৎন-পথাপকী মতুং ইন্না গ্রুপ ৬ অদুদগী খ্বাইদগী মকোক থোংবা টিম অনী খনগৎলবা মতুং খ্বাইদগী ফজবা অহুমশুবা পোজিসন তাবা টিম মরি খনগৎলগা অনীশুবা নোকআউট ষ্টেজ অদুদা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

লৈবাক অমনা মখোয়গী টিমদা চহী ২৩ গী মথক্তা লৈবা শান্নরোয় ৩ য়াওবা য়াহল্লি। অদুগা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুনা চহী ২৩ মখাগী শান্নরোয় ঙাক্তা ওইগদবনি। গ্রুপ এদা লৈরিবা টিমশিং অদুদি য়ূম্বু ইন্দোনেসিয়া, হোং কোং, লাওস, টাইৱান অমসুং পেলেষ্টাইননি। গ্রুপ বিদা থাইলেন্দ, উজবেকিষ্টান, বাংলাদেশ অমসুং কটারনি। গ্রুপ সীদা ইরাক, চাইনা, ইষ্ট টিমোর অমসুং সিরিয়ানি। গ্রুপ দিদা জপান, ভিয়েটনাম, পাকিস্টান অমসুং নেপালনি। গ্রুপ ঈদা সাউথ কোরিয়া, কিরগিষ্টান, মলেসিয়া, বাহরেন অমসুং য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটসনি। অদুগা গ্রুপ এফতা লৈরিবা টিম অদুনা নোর্থ কোরিয়া, সাউদি অরাবিয়া, ইরান অমসুং ম্যান্মারনি।

# পেস অমসুং রামকুমার মায়থীহৌরে

ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৫ (এজেন্সী) ঃ

ইন্দিয়াগী টেন্নিস শান্নরোয় লিয়েন্দর পেস অমসুং রামকুমার রামানাথন অটলান্টা ওপন এ টি পি টেন্নিস টুর্নামেন্টতা মায়থীহৌরে। মমাঙদা নুপাগী দবলসতা নম্বর ৱান থাক ফাওবা য়ৌবা ঙম্লম্লবা লিয়েন্দর পেসনা য়ু এস এগী শান্নরোয় জেমস সেরাতানিগা প্যের ওইরগা শান্নখিবা অহানবা রাউন্দদা য়ু এস এগী প্যের মাইক ব্রাইন অমসুং ফ্রান্সিস টিয়াফোনা ৭-৫, ৬-১ দা মায়থীবা পীরমখি। অমরোমদা নুপাগী সিঙ্গলসকী কাঙলুপতা হন্দক্তা ন্যু পোর্ট ওপনগী রন্নর্স অপ তাখিবা ইন্দিয়াগী রামকুমার রামানাথন ঙসি অহানবা রাউন্দদা য়ু এস এগী শান্নরোয় ৱর্ল্ড নম্বর ৫ টেলর ফ্রিটজকী মখুৎতা ৬-৪, ৬-৪ দা মায়থীহৌখি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় প্রজনিস গুনেশ্বরনসু মহাক্কী অহানবা রাউন্দ অদু স্লোভাকিয়াগী লুকাস লেকোগী মখুৎতা মায়থীহৌখি। নুপাগী দবলসতা ইন্দিয়াগী পুরব রাজানা কেন স্কুবস্কিগা জুরা ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রে।

# ইন্দিয়াগী বোক্সিং কেম্পতা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইরিবা জোসুৱা লাকপনা অনৌবা ইনোৎ হাপখ্রে



সিফিল্ড, জুলাই ২৫ (এজেন্সী) ঃ

ৱর্ল্ড হেভিৱেট চেম্পিয়ন এন্থোনি জোসুৱানা ইংলেন্দগী সিটি সিফিল্ডদা লৈবা ইংলিশ ইনষ্টিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা ট্রেনিং চথুরিবা ইন্দিয়াগী বোক্সিং কেম্প অদুদা লাকপনা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুদা অনৌবা ইনোৎ হাপখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপীগী টিম অদুগী বোক্সিং কোচ ওইরিবা রাফেল বরগামাস্কোনা মহাক্কী বোক্সরশিং অদুবু ট্রেনিং কন্না পীরিঙৈদা হান্না পাউ পীদনা মহাক্কসু অফবা মরী লৈখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন এন্থোনি জোসুৱানা মফম অদুদা থুংলখিবনি।

সিফিল্ডদা লৈবা ইংলিশ ইনষ্টিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা ইন্দিয়াগী নুপা বোক্সর ১০ অমসুং নুপী বোক্সর ১২ না ওগষ্ট ১৮ দগী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা ইন্দো-নেসিয়ানা য়ূম্বু ওইরগা পাঙথোক্ক-দৌরিবা এসিয়ন গেমসকীদমক অকনবা মওংদা শেম-শারিবনি।

পনবা য়াই, এন্থোনি জোসুৱানা হায়রিবা স্পোর্টস ইনষ্টিট্যুট অদুদা মহাক্কী ট্রেনিং বেজ ওইরিবনি। মহাক্না সেপ্টেম্বর থাদা দল্লিয়ু বি এ, আই বি এফ, দল্লিয়ু বি ও অমসুং আই বি ও হেভিৱেট টাইটলশিং অদুগী দিফেন্স তৌননবা রসিয়াগী বোক্সর অলেকজেন্দর পোবেৎকিনগা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী নুপীগী কোচ ওইরিবা রাফেল বরগামাস্কো ইটালি মচানি। মহাক কুমজা ২০১১ ৱর্ল্ড চেম্পিয়নসিপতা জোসুৱাগী লম্বা ওইখিবা রোবর্টো কমারেলগী টিমদা ট্রেনর ওইনা লৈখি। এন্থোনি জোসুৱানা সিফিল্ডগী ইংলিশ ইনষ্টিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা লাকখিবা অদুদা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিং অদুনা য়াম্না হরাওবা অমদি ৱর্ল্ড হেভিৱেট চেম্পিয়ন অমগা ৱারী শানবা ফংবা অদু মখোয়দা অনৌবা ইনোৎ অমা হাপখি।

হৌজিক মতমগী টেক্নোলোজিগী অনৌবা খুদোংচাবা কয়া লাকপা অসিনা মশান্না খুদিংমক্কী কোচ নৎত্রগা ট্রেনর ওইবশিংনা মখোয়গী মখাদা লৈরিবা শান্নরোয়শিং অদুদা য়াম্না কান্নবা পীবা ঙম্লি। মরুওইনা শান্নরোয়শিং অদুনা লম্বা তৌবা য়ারিবা অতোপ্পা বোক্সরশিং অদুগী ভিদিও ফুটেজশিং অদু কুপ্না নৈনরবা মতুংদা মখোয়গী অশোনবা মফমশিং অমদি অকনবা মায়কৈশিং অদু খঙদোক্তুনা লাক্কদৌরিবা লম্বাদা শেম-শাবগী খুদোংচাবা অদু য়াম্না হেন্না পীবা ঙম্লি।

মণিপুর মচা সর্জবলানা মফম অদুদা কেজি ৫১ গী কেটিগরিদা ট্রেনিং চথুরিঙৈ মনুংদা জোসুৱানা মঙোন্দা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না মঙলিবা মঙলান খুদিংমক অচুম্বা ওইনবা কন্না হোৎনৌ হায়না পাউতাক পীখি।

# কর্মন কোরনা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা দব্লিউ টি এ মেচ মায়পাকখ্রে



নানচাং, জুলাই ২৫ (এজেন্সী)ঃ চাইনাগী সিটি নানচাংদা পাঙথোকপা য়ু এস দোল্লর ২৫০,০০০গী শেলগী মনা লৈবা জিয়াংজি ওপন ৱুমেন্স টেন্নিস এসোসিএসন (দব্লিউ টি এ)দা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী কর্মন কোর থান্দিনা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা মেচ মায়পাকখ্রে।

জিয়াংজি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় কর্মন কোরনা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু লৈবাক চাইনাগী জিয়া জিং লুবু সেট ২-১দা মায়থীবা পীদুনা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা দব্লিউ টি এ মেচ মায়পাকখিবনি। মেচ অদু শান্নরোয় অনীগী মায়কৈদগী সার্ভিস তৌবদা য়াম্না অশোয়বা নঙনখি। থান্দিগী অহানবা সর্ভিস অদু চাদা ৪৯ মায়পাকখি অদুগা অমরোমদা জিয়া জিং লুগী মায়কৈদগীনা চাদা ৫৩ লৈখি।

পনবা য়াই ইন্দিয়াগী কর্মন কোর থান্দিনা হৌখিবা চহীদা ইন্দিয়ান য়ূম্বু ওইরগা মুম্বাই সিটিদা পাঙথোকখিবা দব্লিউ টি এ টুর্নামেন্ট অদুনা মহাক্কী করিয়রগী অহানবা মেচ ওইখি। অদুবু হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুগী অহানবা রাউন্দদা মহাক স্লোভাকিয়াগী শান্নরোয় দালিলা জাকুপোবিসকী মখুত্তা মায়থীহৌখি।

ঙসিগী মেচ অদুদা ইন্দিয়াগী কর্মন কোর থান্দিনা মহাক্কী সার্ভিস ব্রেক পোইন্ট কনবা ঙম্লগী চাং ৱাংখিবা মরম্না চাইনাগী শান্নরোয় জিয়া জিং লুদগী পোইন্ট হেনবা ঙমখি। অহানবা সেট অদুদা মহাক্না লুগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেকফংদুনা ৬-৩দা থোইখি। মদুগী মতুং অনীশুবা সেটতদি চাইনাগী শান্নরোয় অদুনা অমুক মহাক্কী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা চপ মান্নবা স্কোরদা ৬-৩দা থোইখিবনি। অদুবু অরোইবা অমসুং ৩শুবা সেট অদুদা মায়কৈ অনীমক্তগী অকনবা লম্বা তৌনদুনা গেম ৫-৫দা লৈখি।

মখাতাবা গেম অনীম্মক ইন্দিয়াগী কর্মন কেরনা থোইদুনা সেট অদু ৭-৫দী মায়পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দদা অতোপ্পা চাইনাগী শান্নরোয় সাইসাই ঝেঙদা লম্বা তৌনগদৌরিবনি। সাইসাই ঝেংনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দদা জপানগী মিয়ু কাটোবু ৬-৩, ৬-০দা মায়থীবা পীরমখি।

ইন্দিয়াগী কর্মন কোরনা জিয়াংজি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী মেন দ্রো শান্নবগীদমক ক্বালিফাইং রাউন্দ শরুক য়াখি। মহাক্না ক্বালিফাইং রাউন্দ অদুগী অহানবা মেচতা নিকা কুখরুচুকপু ৬-৩, ৬-১দা থোইবা ঙমখি। অদুগা অনীশুবা রাউন্দদা ভেলরি সাভিনিকপু মায়থীবা পীখিবনি। কর্মন কোর হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড রেঙ্কিংদা ২৩২শুবা পোজিসন্দা লৈরি। চহী অসি লোয়শিল্লকপদা মহাক মালেমগী মকোক থোংবা নুপী শান্নরোয় ২০০ ফাওবগী মনুংদা চল্লবা য়ারি। চহী অসিগী জুন থাদা মহাক্না করিয়রগী অহানবা টাইটল অদু য়ু এস দোল্লর ২৫,০০০গী শেলগী মনা লৈবা হোং কোং টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা অদুনা ওইখি।

জিয়াংজি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ক্বালিফাইং রাউন্দা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় অনকিতা রাইনাসু শরুক য়াখি। অদুবু মহাক ক্বালিফাইংগী অহানবা রাউন্দদা মায়থীহৌবনি।

থুজিল্লো! নুমিৎ ৬ নিদা ঙাইরে
এ. ৱাই. ২০১৮-১৯ গী ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল তৌবগী অরোইবা তারিখ অদু
জুলাই ৩১, ২০১৮ নি
অকুপ্পা মরোলগীদমক : www.incometaxindiaefiling.gov.in
পাউ ফাওননবা : ১৮০০-১০৩-০০২৫/+৯১ ৮০৪৬১২২০০০
INCOME TAX DEPARTMENT
ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্ট
সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস
davp 15401/13/0026/1819